ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯟ, ꯃꯦ ꯱꯹, ꯲꯰꯲꯲, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯶ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯵꯳ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ

# হুইয়েন লানপাউ

শগোলশেন, মে ১৯, ২০২২, ইম্ফাল
৪৬শুবা চহী, ৫৩শুবা মশীং

## কেটচ দি রেন
### ঈশিং কয়াম য়োকশিল্লবগে

মণিপুর লৈঙাক্না 'কেটস দি রেন' হায়বা ৱাহৈশিংসিগী মখাদা নোংথক্তুগী অকক্লনা তারকপা/চুরকপা নোংগী ঈশিংশিং য়োকশিনগনি অমসুং য়োকশিনসি হায়দুনা হৌদোকখিবা থৌরমশিং অদুবু করমকান্দনো? কয়াম কুইখ্রবগে? হৌজিক প্রোগ্রামদু হৌদোকখিবগা মণিপুরগী নোংজুথা ওইরিবা ইঙা-ইঙেনমক য়ৌদ্রিঙৈ শজিবুগী থামৈ অমসুং কালেন থা হৌগৎলকপদগী লৈবাকসিগী কুমগী নোংগী শরুক মণিপুরদসু য়ৌরক্লে। নুমিৎ খরনিখক লেপ্তুনা চুশিল্লকখিবা নোংগী ঈশিংনা পুখ্রি, পাৎ, তুরেলশিংগী ঈমাইশিং ৱাংখৎলক্লে। পূম্নমক লোইনা নীক-নীক লাওরক্লে। অকুৎপা মফমশিং অসিদগী হেন্দোরক্তুনা অতোংবা মফমশিং ফাওবা ঈশিং থুমজিনবা হৌরক্লে। চীংখোঙ-চীংয়াদা লৈবা লম্বী-থোংগী ফীভমশিং হেন্না শোকচিনহল্লক্লে। লেন্দ স্লাইদ অমসুং মদ স্লাইদকী থৌদোকশিং ফাওবা থোকচিল্লক্লে। অদুবু নোংগী ঈশিং ফাজিন্দুনা য়োকশিনসি, য়োকশিনগদবনি, থবকসি তৌহৌদবা য়াদ্রবা থবকশিংনি হায়খিবা লৈঙাক্না নোংগী ঈশিং কয়াম য়াম্না ফাজিন্দুনা য়োকশিনহৌরবগে? লোক্তাক পাৎতা ঈতিনফম ওইরিবা তুরেলশিংগী ঈমাই চোল্লবা ঈচেলনা চেন্থরক্তুনা তিনখিবা অসিবু নোংগী ঈশিং ফারগা য়োকশিনবগী থবকনি হায়গদৌরিব্রা? নৎত্রগা খোংবাল-লুক্লাং অমদি অকূৎপা মফমশিং য়াওনা পুখ্রিনচিংবদা তুংহৌরিবা ঈশিংশিং অসিবু য়োকশিনবনি হায়গদৌরিব্রা? ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ঙাইহাক লৈতনা 'কেটস দি রেন' গী ৱাফম চিন্দোন লৈতোনদা পকখিবা লৈঙাক্কী লুচিংবা য়াওনা শরুক য়াখিবা মীপূম খুদিংমক্না খুন্নক্কদবনি।

মরমদি থৌরাং-থৌশিলসিগী প্রোগ্রামসি মখোয়না হৌদোকখিবনি। অদুবু ৱাহংসিগী পাউখুমদি পীবা ঙমদ্রগদি লুচিংবশিংনা হৌদোরক্তুনা তৌ হায়বদগী তৌখিবনি, মখা তারকপগীদি দায় লৈতে হায়বদুগী ফীভমদা তারক্কনি হায়বনি। হৌজিক মীওইবা পূম্নমক্না হিংবদা তঙাইফদনা চঙলিবা পোৎলম অমা ওইবদা নত্তনা থৱায় পানবা পূম্নমক্কী পুন্সি ওইরিবা ঈশিংসি মহৌশা লাইরেম্বীনা পীবনি। নোংথক্তুগী তারকপদগী ওইরকপা ঙাক্তনি। অদুবু মহৌশা লাইরেম্বীগী খুদোল ওইরিবা মথক্তুগী তারকপা ঈশিংসি থা ১২না শারিবা চহী অমদা শুংলেপ-লেপ্তুনা চহী চূপ্পা পীরকপা খুদোল অমদি ওইদ্রি। নোংথক্তুগী তারক্কদবগী মতম অকক্লনা লৈবগী মথক্তা কুম অমদা চুরকপা নোংগা কুম অমদা চুবা নোংগগী মরক্তসু মসিগী চাংদা মান্নদবা অমসুং খেন্নবশিং লৈরি। অদুগা মসিগী মথক্তা কুম অমগী নোংগী ঈশিংনা কুমদুগী মীয়াম্না শীজিন্নবা কোন্নদবগী ফীভমসু মায়োক্নরক্লি। মসিগী মথক্তা করিগুম্বা কুমগী নোং লিক্লা-ৱাৎনা চুখিবা চহীদদি ঈকং থোকপগী খুদোং চাদবশিং মায়োক্নরকপসু য়াওরি। মরমশিং অসিনা কুমগী নোং লাকপা মতমদা চুরকপা নোংগী ঈশিংশিং নীংথিজনা য়োকশিন্দুনা থন্নগা মথৌ তারকপদা লৌথোক্তুনা শীজিন্নবা য়ানবা মওংদা থম্বদুগী ৱাহন্থোক ওইগদবা মাল্লি হৌদোক্নখ্রিবদু। অদুনবু হৌজিক কুমগী নোং চুরকপা হৌরক্লে, ঈশিং কয়াম য়াম্না য়োকশিল্লবগে হায়বসিগী ৱাহং থোরক্লিবনি। ৱাহংসিগী পাউখুম থৌরাংসিবু হৌদোকখিবা লৈঙাক্না পীবা ঙম্নবা হোৎনগদবনি। হন্দক চহীদগী ঙমহৌদ্রবসু মথং চহীদগী মায় পাক্না থবক্তা ওন্থোক্নবা থবক পায়খৎলগদবনি। মসিগীদমক তঙাইফদনা মফম চাবশিংদা মতিক চাবা ৱাটর বোদিশিং শেমগৎকদবনি। হান্নদগী লৈজরক্লিবা পাৎ-তুরেলশিং নীংথিজনা শেংদোক্তুনা লুথহনবগা লোয়ননা তরু-তনান্না থমগদবনি। য়ারিবমখৈ ঈশিং য়াম্না চলহনগদবনি। নেসনল হায়দ্রো প্রোজেক্ট কোর্পোরেসন (এন ঐচ পি সী) না মৈ পুথোকপদা শীজিন্নরিবা ঈশিংশিং মাঙহনখিদনবা হোৎনগদবনি। মৈগী কান্নবসু লৌবা অদুগা মৈ পুথোকপদা শীজিন্নরিবা ঈশিংসু অমুক হন্না শীজিন্ননবা হোৎনহৌবা চুমগনি। হায়রিবা থৌরাং-থৌশিলশিং অসিদি পায়খৎত্রগা ফজবা, কান্নবা পীগদবা প্রোগ্রামনি হায়দুনা মীয়াম তিনবা থৌরমশিংদা খক্তা লাউথোকপনদি ফংনীংলিবা পান্দমদু য়ৌনা ফংবা ঙল্লোই। খূৎ য়াওবসু মরু ওই। লৈঙাক খক্তনসু মপূং ফাহনবা ঙল্লোই। লৈবাক মীয়ামদসু এৱ্যের্নেস পাক শন্না পীরগা খূৎশম্নবা পায়খৎনবা হোৎনৌ। মথৌ তাবা ঈশিংগী চাং কুম্বী-কালেন নাইদনবু ফংহল্লবদি মণিপুর চিঙ্গাক্তা মীপাল তাংদবা ষ্টেট অমসু ওইহনবা ঙমগদৌরিবনি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪২

১) কালিদাসকী **''রঘুবংশ মহাকাব্য''** হায়বসি মীতৈ শৈরেংদা কনানা হন্দোকপগে?

২) **''সেঙ্গোই সনা''** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমদি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৩) পণ্ডিত নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্রগী পুন্সি অমসুং মহাক্না লীবিরম্বা ৱারীশিংদা য়ূম্ফম ওইদুনা ইবা লাইরিক্তুগী মমিং করিনো অমসুং কনানা খোমজিনবনো?

৪) **"নুংঙাইফম খঙদে-/নঙগী ৱাখলদা মঙ মঙবদা।/নুংঙাইফম ফংখিদে -/নঙগী মিংদা ডিপোজিৎ হাংঙুবদসু।''** শৈরেং মতেক অসি মপাল লমগী মচিন তুমখৎলক্লিবী অইবী অমগী শৈরেংদগীনি। অইবীসি কনানো? মহাক্কী করি লাইরিক্তা য়াওবা করি শৈরেংদগী লৌথোরকপনো?

৫) **''হে পারী! নপন্ ঐগী ইহকচাংসে খাম্ পি মৈদা ঈকলো। মালেম্ লৈরোল, মাপন্ না 'কূ' বু শাও। কোরৌ নোংলোল্ মাপন্ না 'থক্ খল্' শেমলো। থক্ খল্ মখোঙদি 'থংচিং, মারজিং, ৱাংব্রেন, কৌব্রু' মরি অসিনা ওইও।...''** ৱাহৈ পরেং খরা অসি কদাইদগী লৌথোরকপনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মে ৩০, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# নীংশিংবগী থোঙনাওদা - ৭৮
## (শুমাং লীলা অমদি ঐ)

চাইথোরকপা ৱাখল
**নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**

পুন্সিসিদা মীওই কয়া কয়া তিন্নরকখ্রে। তোঙান তোঙানবা শিনফমদা লৈবা অচৌবদগী খ্বাইদগী পীকপা নোংমগী খূৎশুমল তাল্লগা চাবা মীশক কয়া ঐগা তিন্নদবা লৈখিদে। অদুবু ময়ামদুগী মরক্তা মহৈনা জুম-জুম লাওনা পানখিবা, লূম-লূম লাওবা ঙসিফাওবদা কাউবা শুকঙম ঙল্লরোইদবা মীশক অমা হায়বা তারবদি ময়াম্না চাকথেকপী নবা হায়না খঙনখিবা চৌধুরিময়ূম নবা শর্ম্মা অসিনি। মহাক ঐখোয়গী পার্টিগী শৈশকপা অমনি। অনৌবা লীলা অমগী ঈশৈ অমা সুর পানবদা মহাক্না হেক শকপদা ঈশৈদুগী মতিক ময়াই অমা খঙহৌদনা চোঙথোরকপা ঙন্মী। মাগী খোঞ্জেলদা করিনোমা য়াওরি। লীলা অমদা মাগী ফজবা সোলো ঈশৈ অমা হাপ্তবা য়াদে। ঈশৈদু শোয়দনসু ফাওগদৌরিবনি। অদুনা মাগী ঈশৈ ইবসি য়াম্না চেকশিন্না ঐনা ইখি। ঐখোয়গী লীলাগী ঈশৈশিংসি ঐনা লোইনা ইখিবা ঙাক্তনি। অদুনা মানসু ঈশৈ খরা ফজবা ইদবা য়াদে হায়না অদুম হায়। ঈশৈ ইবগা শকপগা তিন্নবা হায়বসি য়াম্না মরুসু ওই। ৱাখল তিন্নদ্রবদি ঈশৈদুগী মনুং থিৎনা খঙবা ঙমদে। অদুনা শক্তোরকপদা ঈশিংগা থাওগা ওইনা থোরক্তে, ফজরবা খাইদোক্নবা য়াদবা অমা ওইনা থোরকখি। মহাক্না শকখিবা মীয়াম্না হেক পাম্নখিবা ঈশৈ খুদিংমক ঐনা ইখিবা ঙাক্তনি।

মহাক অসি অসুক্কী মতিক পোপ্যুলর ওই। মাতবু য়েংগে হায়দুনা লীলা য়েংবা ময়াম অমা য়াওরিবনি। মাগী ঈশৈ লোইরে খঙলবদি হৌগৎলগা চৎনখিবা য়াওরিবনি। নবনা শকপা ঈশৈসি মতা অমা ওইনা নুংঙাই হায়বসি লীলা তৌরিবা ঐখোয়সু অদুম খঙই। খরা নহা ওইরিঙৈ মতম অদুদদি মহাক্কী খোঞ্জেলসিসু ফজখ্রবজাৎনি। মসিদি ঐনা হায়জিনবা নত্তে। মীপূম খুদিংনা খঙনবনি। ঐখোয়না কন্না লীলা তৌখৎলকপা মতমদুদা চৎনবী অমা ওইনা শম শাংনা শাংনা খাকপা, খোঙগ্রাও মতোন য়াম্না লাওবা, পেটি অপাকপা ফাবা, পেটিসিদি পাক্লিখৈ ফজৈ হায়না খন্নবা মতম অমা লৈ। পেটি মমায়দু সর্কল ওইনা কোরোক কোইবা, চুথেক নাইবা মখল মখলগী পেটি থোক্লম্মী, মমায় য়েংলগা মমলসু লেপ্পী। অদুগা ফুরিৎসিনা দোগ কোলর হায়দনা হুই মনা মান্না লেকথবী অমা কন্না চৎনরম্মী। নুংঙাইরিবদি নবদি মাগী মশমসি য়াম্না শাথীনা খোই, শাংল-শাংলগা মখারোমদা চত্থরক্তে, লৈশিল্লগা মকোক ওইনা চাউথোরকই। মীগা পিক্তক তৌরে, কুচুগা হায়রপ মুরে, মাসি হেক য়েংবদা সাই বাবা মাল্লি। মসি মা মশানসু অদুম হায়জবনি। মাগী মকোকসি ফল্লগা হেক্তা চাউথোরকপনি। মদুগী ফীভমদুনে, মাগী খোঙগ্রাও কোরা জিনগী ঙাংলৈনবা অমগা লৈরম্মী। মানা ঈশৈ শকপা থোরকপদা ময়ামসিনা হেক্তা য়েংনবনি। য়াম্না নুংঙাইবা মাগী ঈশৈ অমা লৈরম্মী, মতমদুগী য়েংবীহৌবা ময়াম্নসু শোয়দনা নীংশিংবীরমগনি খল্লি। ময়ামদা অমুক্কা নৌহৌননা নীংশিংজগে, ***''ঐদি খোইমু পাখ্রানি, ইপাং কনা য়াওদ্রবা, অমদা হায়রুই য়াবীরক্তে, অমদা হায়রুই শাওরকই, অমদা ঙংলুই তান্থোরকই, অমদা থেম্মুই চৈরকই, ঈশক্তা য়েংলে থীজিল্লে, ইশমদা য়েংলে খোইজিল্লে, মীদা য়েংলে পিশক পিকই, কুচুদা য়েংলে মুসিন মুই, ঐদি খোইমু পাখ্রানি, ইপাং কনা য়াওদ্রবা...''*** ঈশৈসি মানা হারমোনিয়ম খোংলগা শকপসিদা ময়ামসি হেক্তা ফ্র-ফ্র হাইখৈ নোকপনি, ঈশৈদুসু য়াম্না ফজৈ, তানসু নুংঙাই, সুরসু ফজৈ। মমিৎ-ও, মঙক-ও, মখূৎ-ও, মশা-ও কুম্মৈ অমনি। মানা হারমোনিয়ম খোংবসিসু ফজখ্রজাৎনি। মীনগা মঙোন্দা খরা য়েংলক্লে গাইনা খল্লদি মসিদা মানা হেনজিল্লগা শক্কদৌরিনি। মদুদা মানা নুংঙাইজরিনি। অসুমাইনা, লীলাদা মতাং মতাংগী ওইনা ঈশৈ শকপসিদা ময়ামসিনা মাগী ঈশৈ শকপগী এক্টিংদু য়েংগদগী, খুনিং কাংখৎ-কাংখৎতনা য়েংনরিনি। ঐখোয়না ময়ায়দা এক্টিং তৌই হায়বৈ ৱানি, য়েংবদি মঙোন্দা ওইনা য়েংলিবনি। য়াম্না নোক্লিংবা অমনা, লৈখিদ্রবা দেবদত্তনা মাগী সোলো অমা লীলাদা শকই, ঈশৈদুসু য়াম ফজবা ঈশৈনি ***''ফোঙদোক্তবা নুংশিবা, কয়াম কুইনা থমখিনি, ওমচাক্লনা থম্মোয়নুংদা, পুন্সি মৈশা লাংখিনি''*** হায়বা অমা লৈ। ঈশৈদু খুন জয়কুমারনা সুর পানখিবনি, অদুগা ঐনা ইখিবনি। মসিগী ঈশৈসি পোপ্যুলর য়াম্না ওইবনিনা ময়াম্না য়াম্না খৌরাংনা ঙাইনৈ। অদুনা মানা ঈশৈসি শক্লকপদা মাগী ঈশৈ শকপগী এক্টিংদু তৌরগা ভাবোকসি মঙোন্দা ওইনা লোইনা য়েংলে। মদুদা দেবদত্তনা শাওরে। য়ারদি লীলাদা ঈশৈ শকপদদি ইচম চম্না শকউ, লীলাদা য়েংদ্রে, ঈশৈ শকপদা ওইনা য়েংলে হায়না কমপ্লেন্ট য়াম তোয়না তৌই। মাসু হোয় হায় হায়দুনি, মাগী বিটতু হেক লাকপদা মানা থোকপা অমা হেক্তা তৌবনি। অদুদদি দেবদত্তনা শাওদুনা চৌক্রিদা তূমিন ফম্মগা লৈথোক্লে, নঙ ওইনা য়েংহল্লো হায়দনা। হৌজিক খল্লুরগা য়াম্না নুংশিনা নোক্লিংই। মখোয় অনীমক ঙসিদি লৈখিদ্রে। খল্লুরগা য়াম্না নুংঙাইতে।

তশেংনমকসু নবসি ফাগি য়াম্না হৈবা মীশকনি। মানা ফাগি তৌবসি য়াম্না পকচৈ। মানা সেরান তুরাননা ইংলিস লোনবসি য়াম্না মান্না লোল্লি। ঐখোয়সি পূক্লি পায়দুনা খাঙবনি। মানা য়াম্না তোয়না ঐখোয় ময়ামদা হেক হেক ফাগি তৌদুনা নোকহনখিবসি, ইংলিস ফিল্ম কাওবোইগী মতৌ তম্বসিনি। শগোল থোরকপা, শগোল খোঙবা, অদুগা মীগা ৱারী শানবা, হোটেল অমদা চঙলক্লগা দান্স তৌরম্বা অদুদা চ্যের অমদা ফমথরগা, য়ু থকপগী য়ু পীয়ু হায়না ৱেটরদা হায়বা, অদুদগী এনিমি লৈরম্বদা নোংমৈনা কাপকে তৌবদা কাওবোইনা য়াম্না থুনা নোংমৈ শৎলগা "ফিসিয়াং...ফিসিয়াং..." গাইনা নোংমৈ কাপ্পগী মতৌগা তম্বসিদি শাথীনা মানখ্রজাৎনি। য়াম্না নুংঙাইবা মীনি। মাসি চাসু য়াম্না থক্কল্লি ঐদৌনা। অদুনা লীলা মফমদসু অদু মঙাই, হোটেল অমা উবা য়াদে, চা হেক্তা থকমিন্নে। মাগী অয়াওবা শেল চাবদা লোইথোকপা কৈসু চিংনদে। অদুবু মহাক শেল পায়বা অমদি য়াম্না হেন্দোক পাথোকপা মীশক অমদি ওইখিদে। লীলা চৎপদা খরা ফংজরকপা খরদুনা ইমুং পুনবা কন্না হোৎনজরম্মী। মচাসু য়াম্বনিনা মমৈথংদদি পুবা ঙল্লক্তদুনা ফেরে-ফেরে হাইদুনা খাঙবা য়াওই। মতমদসু মানা থোকপা ঙম্নবা ৱানা হোৎনজৈ। মবুকচেলসু য়াম্না চাওবা মীশকনি। মীগী অৱাবসু উই। কনাগুম্বা পোপ্যুলর ওইবা আর্টিষ্টনা করিগুম্বা ইন্টরভিয়ুগা লৌবদা অচম্বনি হায়ননবা অপাম্বা এঞ্জাং করিনো হংবদা "কাংশোইনি" হায়না খুন্মী। অদুগা ময়ূমদদি কাংশোই অমুক্তা চাদে। কাংশোই থোংলম্বদা ঈশৌ লাংবা কোকথোং অমা থেংনরে। অদুবু নবদি কাংশোই তশেংনা পামজখি। মানা হেক পামজবা কাংশোইসি য়েলাং কাংশোইগা আলু তঙ্খাই অমগা খাইজিল্লগা, মুকাঙা অয়াইবা খরা থাল্লগা থোংবা কাংশোইসিনি। কাংশোই হায়রগা ঐনা কাউবা ঙমদ্রিবদি, নোংমা মোইদা চাক চাসি হায়না চাক কৌই, অদুগা ঙা থোংবদি লায়রদনা কাংশোই অমা থোংলগা, মোরোক অমা মেৎলগা হৱাইমতোন কোৎনবা খরগা চম্না কৌরম্বা চাক্তুনি। মসিবু করম্না কাউগনি।

ময়াম্নদি থাজবীগদ্রা খঙদে, মাসি মতম খরা পুলিস দিপার্টমেন্টতা কন্ট্রেক্টতা থবক তৌরম্মী। নবনা পুলিসকী দ্রেস শেৎলগা দ্যুটি তৌবসি উবদা ঐদি পংনোক্তা নোকনীংই। পিকখ্রবা মানা নাইট দ্যুটিগা তাবদু ফাগি য়াম্না মানখি। মতমদুদা ফর্ষ্ট এম আরগী সী ও ওইরম্বা অমখক্লা (মমিংদি পঞ্জদ্রে) মাবু নুংশিবীদুনা মতম খরগী ওইনা হাপচিনবীবনি। পুলিসকী ট্রেনিং তৌবা নত্তেদা। অয়াম্বদি মহাকসি ফর্ষ্ট এম আরগী সিফাই ময়াম ব্রেকফাষ্টকা তৌবগী তল হৌবা, শাক থোংবা, চা শেম্বা অদু করি কৌবনো, মতমদুদা মতেং পাংদুনা লৈবনি। লীলা হল্লকপা মল্লিঙৈ নোংঙাল্লমদাইদা চঙখ্রনি, মদুদগী শেম শাবা হৌগদৌরিবনি। অদুগা মানা তল খরা, শাক খরা য়োম্মগা ময়ূমদা হল্লকপদা অমুক লীলা ওফিস তান্না লাক্লগা তলশিংদু ঐখোয়না তূম্লিঙৈদা ফোং ফোং শাবদু পোপ পোপ থাদরম্মগা মানা তূমিন অদুম থোকখ্রগা মাগী সাইকল হিরো অঙাংবদু থৌরগা চৎখিদৌরিনি। ঈরাং খরা ফত্তবা মতমদা মহাকসি নুংদাংদা দ্যুটি তারে হায়না লীলা চৎপা ঙম্মরোই হায়রে। ফনা য়াম্না ঙাঙনরসু য়াদ্রে। মতমদুদা লীলাদি চত্তবা য়াদবনিনা, খুদক্তা মহুৎ শিন্নবা ঈশৈ শকপা মী ফংবা নত্তে, অদুইসু মথক্তা নবগী মহুৎপু কনানা শিনবা ঙমগনি। পাম্বৈ লৈতদুনা কেসেট ওইনা পুরগা চৎলে। অদুদগী লীলা মফমদা ঈশৈদু কেসেট ওইনা থারগা শকপদদি ভাবোক ময়ামসিনা শাওদনা হেক্তা লীলা কায়বগী থৌদোক্কগা থোকখ্রিপোৎনি। কোন্নবুদি ৱারী ফজনা শানরগা লীলা মখা চথৈ, অদুবু মাবু পামজবশিংনা ঈরাং হৌরকপদু ঐখোয়না থিংলুবা ঙমখিদে। মাগী পোপ্যুলরিটিসি য়াম্না কনখ্রজাৎনি।

মমিং য়াম্না চৎখিবা ঐখোয়গী লীলা ***''কৈশামথোং থোইবী''*** ফোঙবা নুমিৎতু ঐখোয়সু চিনবনিনা লীলাদু য়াম্না কন্না রিহার্সেল তৌখিদে। লীলা ফোঙবা নুমিৎতুদা খরা ঙন্না উন্নরগা পুং ১০দগী লীলাদু রাউন্দ অমা-অনীদং রিহার্সেল তৌহৌসি হায়না ঐখোয় অঙনবা মতমদগী হৌনা লীলা ওফিসতা পুল্লগা রিহার্সেল তৌই। অদুবু মহাক ফনা য়াম্না থেংলবা ফাওবা লাকখিদে। ঐখোয়না লীলাদু রাউন্দ অমা চৎলবা ফাওবদা মহাক লাখিদে। হোবে হোবে লাক্লে, অদুগাদি ঈশৈ ফারমদ্রে। হোরেন ফোঙগদবা লীলাবু ঈশৈ ফাদে হায়না ঐনা খরা ঙাঙলুবদগী মহাক শাওরে। শাওমনবদগী মহাক ঐ লীলা তোক্লে হায়রগা থোকখ্রে। অদুম চঙলক্ত্রে। নুমিৎ তারে, মাদি লাক্ত্রে। ঐনা ময়ূমদা চৎলে। য়াম্না নুংশিরিবদি, মা লোৎপা খোৎপদি তৌরমদে, ফমুংদা হিপচিল্লগা লৈরম্মী। ঐনা কৌবদা মা শুকখুম খুম্মক্তে। ঐনা - কৈদৌবগী ৱাথী ৱারেম তৌরিনো, হৌগৎলু লীলা ফোঙদৌরিনি, ঈশৈদু নঙনা থোকপা অদুম শকচিল্লো, চৎসি হায়না ঐনা হায়। মানা ভাই ঐ লীলা তোক্লগে হায়না খুন্মী। ঐনা - ***য়াই তোকও, অদো ঙসিদি চৎলুরসি, হৌজিক তৌদৌবা লীলাবু নঙনা খুদক্তা তোকপা য়াবা নত্তে, লাও চৎসি, অঙাং মচা মানগনু হায়না ঐনা নমদুনা ফমুংদগী চিংখৎলগা ঐগী গাড়ী মনিংদা তোংলগা লাকমিন্নরে।*** অদুগা লীলা মফম য়ৌরগা কৈসু তৌনখিদবা শাদুনা মাগী হৌনবী বা-বা লাউনা ৱা-ৱা নোকমিন্নখি। নুংঙাইখ্রবা নবনি। খোয়খা লিনখা থাবীবা নত্তে। দ্রো-দ্রোনি, মঙোন্দা মানা অদু হায়বা, ঐনা অদু হায়বা অমত্তা লৈতে, পুঞ্খায় অমগী মনুংদা লোইনা কাউবনি। মহাক্কুম্বা মাগী ৱারী তম্বদা লোইবা নাইরোই। মখা মথংগী ইস্যুদা পাউদমজরক্কে। ●

# করম্বা লৈঙাকলোননা চুম্লিবা - ১

**- ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার -**

নোংচুপলোমগী ৱাখল্লোদা শাগৎখিবা দেমোক্রেসি হায়রিবা লৈঙাকলোন অসিবু চুম্না ইন্দুনা ঙসিগী মালেমগী লুচিংবশিংনা মথৌ চুম্না তৌরিব্রা হায়বগী ৱাহংসি তত্তনা হংনরক্লি ঙসিদি। মতম অমদা দেমোক্রেসি চৎপনা খ্বাইদগী অফবা লৈঙাকনি লোয়ননা লৈঙাকলোল অসিগী মনুংদা লৈরিবা মীওইশিং অদুনা খ্বাইদগী মনীং মখা তম্না, নুংঙাইনা হিংবা ঙমগনি হায়বগী ৱাখল্লোল লৈরম্বা ঙসিদি নোংম-নোংমগী মমি শাল্লক্লি, লোইনা থাজবা মাঙলক্লি। দেমোক্রেসি চৎপনা খ্বাইদগী ফবা খোঙথাংনি খন্দুনা মালেমগী লৈবাক কয়ানা দেমোক্রেসিগী লৈঙাক থমদুনা লাকপদু ঙসিদি মদুগী ৱাখল্লোন অদু হোংবা হৌরক্লে হায়না অখঙ অহৈ কয়ানা ফোঙদোক্নরি। দেমোক্রেসিদা থাজবা থল্লক্তবগী অচৌবা মরম অমা হায়রগদি দেমোক্রেসিগী চৎন-কাঙলোনবু লান্না শীজিন্নদুনা মশা মশাগী, ইমুং-মনুংগী কান্নবখক নৎত্রগা পাল্লি-পাল্লিবা লৈঙাক অদুনা লৈঙাক্কী চুক্লি মতম শাংনা পায়দুনা লৈনবা হোৎনবদা দেমোক্রেসিগী চৎন-কাঙলোনশিংবু লান্না শীজিন্নরকপা অসিননি হায়না থম্বা য়াই। মালেম পূম্বনা শীংথানরম্মী হায়বা য়ারিবা নোংচুপ লৈঙাকপশিংদা, মরু ওইনা য়ু এস এদা চৎনরিবা দেমোক্রেসি অসিনা খ্বাইদগী ফবা লৈঙাকলোননি হায়দুনা খন্নরম্বা ৱাখল্লোল ঙসিদি য়ানরক্ত্রে। মসিগী খ্বাইদগী চাউবা অমদি অরায়বা খুদম অমা হায়রগদি য়ু এস এগী মীয়াম্না মখোয়গী লৈঙাক্তা থাজবগী চাং অসুক্কী মতিক নেমথরকপা অসিনি। করিগুম্বা ৱেষ্টর্ন দেমোক্রেসি অসিনা মমাঙঙৈগুম দেমোক্রেসিগী চৎন-কাঙলোন নিংথিনা ইন্দুনা চৎপা ওইরম্লবদি ঙসিসু য়ু এস এগী মীচম মীয়াম্না মখোয়গী লুচিংবদা অসুক চাং ৱাংনা থাজদবা অমদি শৌগৎতবগী ৱাফমসি লৈরম্লোই।

ঙসি ঙসিগী লৈঙাকলোন্দা নৈনবা অমদি অইবা মালেমগী অখঙ অহৈ কয়ানা হংনরক্লিবা ৱাফমদি করিগীদমক দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাকশিংনা চাওখৎপগী লম্‌দা মনীং হন্দুনা চৎপমক নৎত্রবসু মাঙদা চঙশিনবদা অসুক্কী মতিক তপ্লিবা অমদি করিগীদমক দেমোক্রেসিগী মনুং চন্না লৈরিবা মীচম মীয়াম্না পেন্দবগী খোল্লাউ লাউবা হেনগৎলক্লিবা হায়বা ৱাফমশিং অসিনি। টাইৱানদসু মতম অমদা হায়বদি চহী ৭/৮গী মমাঙদা লৈরম্বা লৈঙাক্তা অসুক্কী মতিক দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাকনি হায়দুনা চাওথোকচরম্বা ঙসিদি নোংম-নোংমগী মমি শাল্লক্লি। মসিগী অচৌবা মরম অমা হায়রগসু ঙসি পাল্লিবা লৈঙাক্কী লুচিংবশিংনা দেমোক্রেসিগী চৎন-কাঙলোনবু ইন্দুনা চৎপা ঙল্লক্তবা অসিননি হায়না থমজগে।

মমাঙগী ৱারেং কয়াদা টাইৱানগী লৈঙাকপু অমদি লুচিংবশিংবু থাগৎতুনা ৱারেং কয়া অমা ইজখ্রে। অদুবু ঙসিদি ঐহাক্কী থাজবা লৈরম্বা অদু অসুম অসুম মমি শাল্লক্লি মরু ওইনা ঙসি পাল্লিবা লৈঙাক অসিগী লুচিংবশিং অসিদা। দেমোক্রেটিক প্রোগ্রেসিভ পার্টি হায়দুনা মমিংগদি য়াম্না ফজৈ অদুবু দেমোক্রেসিগী নীংখা তম্না ঙাঙজবগী, ফোঙদোকচবগী অমদি থবক তৌজবগী মনীং তম্বদো দেমোক্রেসিগী মমিংদা লৈঙাক্না লৌথোকপীখ্রে। ঙসি পাল্লিবা লৈঙাক অসিগী মায়োক্তা ৱা অমা হেক ঙাঙলুবদা ঙাঙলিবা মীওই অদুগী মায়োক্তা লৈঙাক অসিনা শেল পীদুনা শীজিন্নবা মীওই (ইন্টরনেট আর্মি) কয়ানা লৈঙাক্কী মায়োক্তা ফোঙদোক্লিবা মীওই অদুগী মায়োক্তা অকনবা ৱা শীজিন্নদুনা, মতুং তানা ৱা ঙাঙদনবা অচৌবা শেল থিহন্দুনা নৎত্রগা কৈসুমশঙদা থমদুনা চৈরাক পীগনি হায়বনচিংবা ৱাফম থমদুনা কিহল্লি। মসিদনি ঐহাক্না দেমোক্রেসি হায়বসি চৎনবা য়ারক্ত্রিবা লৈঙাকলোল অমা ওইরক্লব্রা হায়না খল্লিবা।

নোংচুপলোমগী ওইবা পোলিটিকেল আইদিওলোজিদা শাগৎপা দেমোক্রেসি অসিবু মালেমগী মফম খুদিংমক্তা ইন্দুনা চৎকদবনি হায়না থাজবা য়ু এস এ অমদি মহাক্কা চৎমিন্নবা লৈবাক খরনা ঙসি ফাওবদা মখোয়গা লৈঙাকলোলদা মান্নদনা চৎলি হায়বগীদমক চাইনাবু মতম চূপ্পদা হুন্দুনা ঙাঙবা অমদি চৈবা লেপত্রি, মরু ওইনা ঙসি চাইনানা অসুক্কী মতিক মাঙজিল থানা চাওখৎলকপা অসি উবদা। হৌজিক য়ু এস এ অমদি য়ু এস এগা চৎমিন্নরিবা দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক খরা অসিনা য়াম্না মিপাইরিবদি, পাখৎলিবদি চাইনানা খোঙজেল য়াঙনা চাওখৎলক্তুনা সুপর পৱার ওইরকপা অসিনি। মখোয়না খ্বাইদগী পামদবা অমা হায়রগদি মখোয়গুম অঙৌবা কাঙলূপ নত্তবা (white race) কাঙলূপনা মখোয়গী মথক্তা লৈরক্কদ্রা হায়বদুনি। অঙৌবা কাঙবুনা মালেমগী মকোক ওইদুনা মতম চূপ্পদা লৈগদবনি হায়বা মখোয়গী ৱাখল্লোল ঙসিসু অদুম লৈরি।

করম্বা লৈঙাক্না ফৈ ফত্তে হায়বগী ৱাফমসি চাইনাদগী য়েংসি। চাইনানা চহী ৩০/৪০গী মনুংদা মীওই মিলিয়ন ৮৫০ হেন্না লায়রবা কোকহনবা ঙল্লে। মসি দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমত্তদা থোকপা লৈখিদ্রি। লায়রবা কোকহনবতা নত্তনা মীচম মীয়ামগী নুংঙাইবগী চাংসু অসুক্কী মতিক হেনগৎলে। চাক চরা অনী পুক থন্না চাবা ফাওবা ফংদ্রবদা দেমোক্রেসি লৈ হায়বগী করিবু কান্নগদৌরিগে। চাইনাদা কম্যুনিষ্ট/সোসিএলিষ্ট লৈঙাক লৈ, হ্যুমেন রাইটস লৈতে, নীংখা তম্না হিংবা ঙমদে, চখোক চৎশিন য়াদে, নীংখা তম্না ফোঙদোকপা য়াদে হায়দুনা ৱেষ্টর্ন মীদিয়ানা পুমচাই চাইনা শন্দোক্লবসু চাইনাদা লৈরিবা মীওইশিং অসিনা মখোয়গী লৈঙাকপু শৌগৎপগী চাংনা দেমোক্রেসি চৎলি, মীয়াম্না নীংখা তম্না নুংঙাইনা হিংলি হায়রিবা য়ু এস এগী মীয়াম্না য়ু এস এগী লৈঙাকপু শৌগৎপগী চাংদগী য়াম্না ৱাংবা হেল্লি হায়না মীচং চঙদবা নোংচুপলোমগী মীদিয়াগী সর্ভে অমনা ময়েক শেংনা উৎলি।

য়ু এস এগী Harvard University গী মনুং চন্না লৈবা Harvard Kennedy School গী Ash Center research team না চহী ১৫ চঙনা শেমগৎ শাগৎতুনা তৌখিবা পব্লিক ওপিনিয়ন পোল (২০০৩-২০১৬) অমদা চাইনাগী মীওই লিশীং ৩২দা মখোয়না চাইনাগী লৈঙাক্তা কয়া য়াম্না থাজবা অমদি শৌগৎপা লৈ হায়বগী ওপিনিয়ন লৌখি। কুমজা ২০১৬ ফাওবদা তৌখিবা ওপিনিয়ন পোল অদুদা চাইনাদা মীওই ১০০গী মনুংদা মীওই ৯৫ হেনবনা (৯৫.৫%) মখোয়গী লৈঙাক্তা অপেনবা অমদি শৌগৎপা ফোঙদোক্লি অদুম ওইনমক চাওখৎলে হায়রিবা খ্বাইদগী মনীং মখা তম্না হিংলি হায়রিবা দেমোক্রেসি চৎপা য়ু এস এদদি শুপ্নগী মীওই ১০০গী মনুংদা ৩৮ (৩৮%) খক্লা মখোয়গী লৈঙাক্তা অপেনবা অমদি শৌগৎপা ফোঙদোক্লি। হায়রিবা শৌগৎপা অসিসু ঙসি পাল্লিবা য়ু এস এগী লৈঙাক অসিনা ফংলিবা শৌগৎপসি শুপ্নগী ৩৬%দা হন্থখ্রে। মসিনা ময়েক শেংনা তাক্লি মদুদি দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাকশিংদা লুচিংবশিংনা দেমোক্রেসিগী চৎন-কাঙলোন ইন্দুনা চৎপা ঙমদ্রে হায়বদু। করিগুম্বা মথক্তা পীরিবা মশীংসি চাইনাগী মীদিয়ানা পীবা ওইরম্লবদি থাজরমদবসু য়াই। অদুবু হায়রিবা মশীং অসি চাইনাবু খ্বাইদগী য়াদবা লৈবাক - য়ু এস এগী মনুংদা লৈবা মমিং চৎলবা Harvard University গী স্কুল অমনা তৌখিবা ওপিনিয়ন পোল অমনি। দেমোক্রেসি চৎলে হায়রিবা ইন্দিয়ানা চাদা ৫২ (৫২%) না শৌগৎলি হায়না উই। মসিসু পাল্লিবা ইন্দিয়া লৈঙাক্না শেল পীরগা থবক তৌবা মীদিয়াগী ৱাফমলা হায়না লৌবা য়াই। মতাংসিদা হায়জনীংলিবদি, নোংচুপ লৈঙাকসিনা মতম অমদা চুম্মৈ লৈবাক খুদিংমক্না ইন্দুনা চৎকদবনি হায়বা ৱাফম কয়া ঙসিদি মালেমগী মীওই কয়ানা য়ানরক্ত্রে হায়বসিনি। ●